**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24.05.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২৪-০৫-২০২৪, ইরাই)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম ৱাশিংটননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) কংলুপকী ইরাং অমসুং তেরোরিস্তশিংগী হিংশানা অৱা অনা নংলবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অঙাং ১৫ রোমতমক প্রোজেক্ট এসিস্তকী খুদোংচাবা ফংলি।

২) মনিপুরদা শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগা মরী লৈননা বেক্তেরিয়ানা থোকহনবা লেপতোসপিরোসিস নাবা মীওই থেংনরে ।

৩) মনিপুরদা লেন য়াওনা চুখিবা নোংলৈ নুংশিৎনা রাজ্য অসিগী লম হেক্তর ২৮৩ রোমদা থাবা লুপা কোতি ৬ রোমগী মনা মশিং মাংতাকহনখি।।

৪)বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল ফোইজিংদগী মীওই অমা কস্তাদিদা শীখিবা অদুগী মতাংদা মেজিস্ত্রেল ইনক্কারি তৌরগনি।

**অমসুং**

৫) লোক সভা সিট ৫৮ গীদমক ৬ শুবা তাঙ্কক্তা হয়েং ভোট থাদনরগনি।৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগীদমক রাজনিতি দলশিংনা ঙমজবি থাদুনা ভোট খোমরি।

**-----সিগনেচর ট্যুন---**

**প্রোজেক্ট(এল)ঃ** কংলুপকী ইরাং অমসুং তেরোরিস্তশিংগী হিংশানা অৱা অনা নংলবা অঙাংশিংদা শেলগী তেংবাং পীবা, নেসনেল ফাউন্দেসন ফোর কম্যুনেল হারমোনিনা পায়খৎপা প্রোজেক্ট এসিস্তকী মখাদা মতেং লৌনিংবা মীওইশিংনা দরখাস থারকপা য়াগনি হায়না ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দি.সি খুমান্থেম দাইনানা ফোংদোরক্লি।

পোরোম্পাৎতা লৈবা ইম্ফাল ইষ্ট দি.সিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দি.সি. খুমন্থেম দাইনানা হায়-কাংলুপগী ইরাং অমদি তেরোরিস্তশিংগী হিংশানা মরম ওইদুনা মমা মপা লৈখিদ্রবা অঙাংশিংদা মখোয়গী মহৈ মশিং তম্বদা প্রোজেক্ট এসিস্তনা শেলগী তেংবাং পীরি। ক্লাস ত্বেলফ ফাওবগী থাক্তা মহৈ তম্লিবা মহৈরোইশিংদা থা অমদা লুপা লিশিং ১,২৫০ গ্রেজ্যেট থাক ফাওবগীনা লুপা লিশিং ১,৫০০ অদুগা অতৈ অতৈ প্রোফেসনেল কোর্সশিং তম্লিবা মহৈরোইশিংদনা লুপা ১,৭৫০ ফাওবা স্কিম অসিগী মখাদা শেলগী তেংবাং পীরি। মহাকা হায়- হৌজিক ফাওবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা হায়রিবা স্কিম অসিগী মখাদা পুন্না অঙাং ১৫ রোমতমক খুদোংচাবা ফংলি। মমাং চহিগী মে ৩ দগী হৌরকখিবা কাংলুপগী ইরাংদা মমা মপা লৈখিদ্রবা অঙাংশিংনা হায়রিবা স্কিমশিং অসিগী মখাদা তেংবাং ফংনবগীদমক দরখাস থারকপা য়াগনি।

**--সাউন্দ দাইনা--**

**লায়না (এল)ঃ** মনিপুরদা হন্দক চহি অসিদা কা হেন্না শাবা অমদি অইং অশাগী খলদা অচৌবা অহোংবা লাকপগী ফীভম অমা মায়োকরি। মসি মরুওইনা উমং পাকশন্না কোকথোরকপা অমদি মীওইবনা মহৌশাগী খলদা অকায়বা পীরুবদগী অওনবা কয়া মরুম লাক্লে। হোংলক্লিবা অইং অশাগী খল অসিনা ঐখোয়গী পুন্সিদা অকায়বা কয়া থোকহনবগী মনুংদা লায়না মখল খরা শন্দোরকপা অসিসুনি।

মনিপুরদা কা হেননা শাবদগী শন্দোকপা লায়না - লেপতোসপিরোসিস নাবা মীওই থেংনরে হায়না রাজ্যগী আই.দি.এস.পিদগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা পাউদম অমা -

## --সাউন্দ বেদমনি--

**হায়পরতেন্সন(এল)ঃ** মালেমগী হায়পরতেন্সন নুমিৎকা মরী লৈননা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদসু ঙসি থৌরম কয়া পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলগী মীৎয়েং মখাদা নন কম্যুনিকেবল দিজিস সেল চান্দেলনা শিন্দুনা মালেমগী হায়পরতেন্সন নুমিৎ পালন ঙসি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চান্দেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসর এন.সি.দি. সেল চান্দেল ওইরিবা ডা: লাইশ্রম দিবেন সিংহনা হায়পরতেন্সন লায়নদগী কমদৌনা মতম চানা ঙাকথোক্কদগে হায়বনচিংবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

নুমিৎ অসি নেসনেল প্রোগ্রাম ওন নন কম্যুনিকেবল দিজিস নোনেনা শিন্দুনা ঙসি নোনে প্রাইমরি হেলথ সেন্তরদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা নোনেগী চিফ মেদিকেল ওফিসর ডা: জিয়াস্তুইলুং কামৈ, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসর ডা: আজিন মরিংমৈনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা হায়পরতেন্সনগা মরী লৈননা ব্লদ প্রেসর ওনবা, ব্লদ তেস্তনচিংবা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসর নোনে, ডা: দৈগ্রেসিয়া লমলিনা হায়- হায়পরতেন্সন লায়নাদগী ঙাকথোকবা মীয়ামা মতম চানা মনাক নকপদা লৈবা লায়েংশঙ অমদা চৎতুনা য়েংথোকপা অমদি মতম চানা লায়েংথোকপা তঙাই ফদবা লৈ। থা অমা চুপা চথুগদবা পলান থৌরম অসিগা মরী লৈননা হায়পরতেন্সন লায়না লৈব্রা হায়বা খঙদোকবা বি.পি চেক তৌবা, লেমা ই.সি.জি লৌবা , ঈ তেস্ত তৌবনচিংবা কয়া পাঙথোক্কনি।

**দে(এল)ঃ** মালেম্বা স্কিজোফ্রেনিয়া নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি। ইন্দিয়ন সাইকিয়াত্রি সোসাইতি মনিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ অমসুং ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসন মনিপুর ষ্টেট ব্রঞ্চনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসনগী হেরিতেজ হোলদা পাঙথোকখি।

**পৌরাবি(এল)** ঃ মোধু এন্দ সনাহনবি মেমোরিয়েল ত্রস পৌরাবি, লাইনিংথৌ ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন পৌরাবি, পৌরাবি লাইনিংথৌ পুথিবা দিভলপমেন্ত কম্মীতি, পৌরাবি লমজিং নুপী মরুপনা নন কম্ম্যুনিকেবল দিজিস সেল ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সি.এম.ও পুলগা খুৎশমরগা ঙসি লাইনিংথৌ পুথিবা কম্ম্যুনিতি হোলদা অভা কার্দ শাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

**এ.আর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা কাংপোকপী জিলাদা লৈবা এল.হেংজোল জনিয়র হায়স্কুলদা নহাশিংবু ভারত লান্মীদা চংনবগী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নুপী মহৈরোই ৩২ য়াওনা মহৈরোই ৮০ হেনবনা শরুক য়াখি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা --**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**লৌ**(এল)ঃ থা অসিগী ৫ দা মনিপুরদা লেন য়াওনা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎখিবা অদুনা মহৈ মরোং মাংতাহনখ্রেবা লৌমী লিশিং ১০০৬ তা সরকারনা চান্নবা শেনফম পীদুনা মতেং পাংদুনা হোৎনরি হায়না রাজ্য গী হোর্তিকলচরগী দিরেক্তর কে.দিবব্রতা শর্ম্মনা ফোংদোকখ্রে।

শঞ্জেন্থোং ইম্ফালদা লৈবা দাইরেক্তোরেট অসিগী ওফিসতা প্রসার ভরতিগী পাউমীশিংনা উন্নবদা দাইরেক্তরনা হায়- নোং চুখ্রবা মতুংদা মুখ্য মন্ত্রিগী মীৎয়েং মখাদা বিভাগ অসিগী ওফিসিয়েলশিংনা ফিল্ড ভিজিৎ চৎতুনা য়েংশিনবদা লেন য়াওবা অকনবা নোং অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , থৌবাল, বিষ্ণুপুর , কাংপোকপী, নোনে, জিরিবামনচিংবা মফমশিংগী লম হেক্তর ২৮৩ দা থাবা মনা মশিংশিং মাং তাকহনখি। মহাকা হায়- মনা মশিংশিংগী মনুংদা খোংদ্রুম , মাইরেল, তরবুজ, তোরবোট, হৱাই, উমোরোকচিংবা থারিবা লৌমী লিশিং ১ হেনবগী মথক্তা অৱাবা নংহনখি। দাইরেক্তরনা হায়- মাং তাকহনখিবা মনা মশিংশিং অসিগী চাউরাকপা শেনফম লুপা কোতি ৬ রোমনি। হায়রিবা শেনফম অসি লৌমীশিংদা মতেং পাংনবা সরকারনা পায়খৎপা য়াবা থবক পায়খৎলি হায়না মহাকা মখা তাখি।

**--সাউন্দ দিবব্রতা--**

**ফর্ম্মর(এল)ঃ** নেসনেল লাইব স্তোক মীসনগী মখাদা জোইন্ত দাইরেক্তর দিষ্ট্রিক্ট ভেতিরিনরি ওফিস থৌবাল অমসুং ককচিংনা শিন্দুনা পারিং নাইনা চথুরকপা পোলতরি মেনেজমেন্ত, সাইন্তিফিক রিয়ারিং ওফ পিগ এন্দ লাইব স্তোক ইন্সুরেন্স হায়বা হিরমদা লৌমীশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি থৌবাল অচৌবা কৈথেল মখাগী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মীওই ২০০ রোমা শরুক য়াখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা য়েন অমসুং ওক লোইবা অমসুং ইন্সুরেন্সগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**দেদ(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফোইজিং তেরা মখোংদগী নন্দৈবম অরুন সিংহ কৌবা মীওই অমা কস্তাদিদা শীখিবা অদুগী মতাংদা রাজ্যগী হোম বিভাগনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেদ ইম্ফাল ইষ্টতা মেজিস্ত্রেল ইনক্বারি তৌনবা হুকুম অমা থোকখ্রে। মীওই অসি এফ.আই.আর অমগা মরী লৈননা জেলদা লৈরকপনি। সব দিভিজনেল মেজিস্ত্রেদ ইম্ফাল ইষ্টপু মীশি অসিগী মতাংদা থীজিন্নবা ইনক্বারি ওথোরিতি ওইনা খল্লে । মরম অদুনা মীশি অসিগী মতাংদা জবান পীনিংবশিংনা ইনক্বারি ওফিসরদা মশা ওইনা নত্রগা দোক্যুমেন্ত ওইনা অচম্বা চে অমদা মমিং মথা, মমা মপাগী মমিং, লৈফম , চহি, মহাকা তৌরিবা থবকনচিংবা মথং থাগী অনি ফাওবদা পীশিল্লকবা খঙহল্লক্লি।

**গভর্নর(এল)** শ্রী শ্রী গোবিন্দজি ধুপ-আর্টি মরুপকী সেক্রেটরি লাইপুবম ইবোচৌবা শর্ম্মনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা উন্নদুনা নোংচুপ বেঙ্গলগী নবদিপতা লৈরিবা অনু মহাপ্রভু কমপ্লেক্স শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথুরিবা অদুগী মতাংদা পাউদমখ্রে। মীহুৎ কাংবু অদুনা হায়রিবা মফম অসিদা মনিপুরদগী চহি খুদিংগী মীওই চা কয়ানা তির্থ চৎলি। মরম অদুনা তির্থ চৎলিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকনবা মফম অসি হেন্না নিংথিনা শেমগৎ শাগৎপগী তঙাই ফদবা লৈরে হায়বা ৱাফম থমখি।

চহি তির্থ চৎপদা মতেং পাংবিনবা মীহুৎ কাংবু অদুনা রাজ্যপালদা তকশিনখি। তুংদা রাজ্যপালনা মহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি হায়বগী থজবা পীরকখি হায়রি।

**কাউন্তিং(এল)ঃ** লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্র ১০ গী ভোট মশিং থিবগী মতাংদা খন্ন-নৈননবা জিলা অসিগী মনুংদা থবক তৌরিবা রাজনিতি দলশিংগী প্রসিদেন্ট নৎত্রগা সেক্রেটরিশিং অমসুং জিলা অসিগী এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসার পুমমক্কী মীফম অমা থা অসিগী ২৭ তা দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্স-পোরোম্পাৎতা পাঙথোক্কনি।

**ফোরম(এল)ঃ** ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মনিপুরনা ত্রাইবেল এফ্যারস অমসুং হিলস অমদি হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জরবেসনগী অনৌবা মন্ত্রি হাপ্পীনবা মুখ্য মন্ত্রিদা তকশিল্লক্লি। ফোরম অসিগী প্রসিদেন্তনা সহি তৌদুনা মুখ্য মন্ত্রিদা ইবা চেরোল অমদা হায়- মনিপুরদা মমাং চহিগী মে থাদগী হৌরকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা বিভাগ অসি পায়রিবা মন্ত্রি লেটপাউ হাওকিপ ইম্ফাল থাদোক্তুনা চৎখিবনা মরম ওইদুনা বিভাগ অনি অসি মথৌ নিংথিনা পাঙথেক্তনা লৈরে।

মসিনা মরম ওইদুনা বিভাগশিং অসিগী মখাদা ত্রাইবেল বেনিফিসরিশিংনা ফংগদবা কান্নবশিং ফংদনা লৈরি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা অনৌবা মন্ত্রি অমা হাপ্পীনবা সরকারগী পুকিং শিংশিল্লক্লি।

**মৈ (এল)ঃ** ৩৩ কে.ভি খুমন- কৈশাম্পাৎ ঐচ.টি লাইন হয়েং পুং ৬ কী ওইনা অয়ুক পুং ৮ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা মৈ মুৎকনি। ইম্ফাল স্মার্ট সিটি মীসনগী মখাদা তুরেলগী নোংচুপ থংবা অমদি কংলা নোংপোক তোরবান শেমগৎ শাগৎপগী শরুক অমা ওইনা ইলেক্ট্রিক পোস্ত য়ংগদবা মরমনা কৈশাম্পাৎ সব-ষ্টেসন অমসুং কংলা সব-ষ্টেসননা কোনবা মফমশিং মৈ ফংলোই হায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরো অমনা হায়রি।

**মহুদ(এল)ঃ** রাজ্যগী তাউন্দ প্লান্নিং বিভাগকী এসিস্তেন তাউন্দ প্লান্নর ৫ অমসুং এসিস্তেন আর্কিতেক্কী পোস্ত ৫ লৌবগী মতাংদা মহৈরোই লপ অমনা শিরকখিবা মরাল মহুদ বিভাগনা য়াখিদ্রে। চেরোল অমদা মহুদ বিভাগকী এদিসনেল সেক্রেটরি কে.বোনো সিংহনা হায়- সেন্ত্রেল গোর্ভর্নমেন্ত স্কিম ওফ স্পিসিয়েল এসিস্তেনস টু ষ্টেটস ফোর কেপিতেল ইনভেসমেন্ত (সাসি)২০২৩-২৪গী মখাদা তাউন্দ প্লান্নিং দিপার্টমেন্তগী অহাংবা সেঙ্সন পোস্তশিং চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ১৫ ফাওবগী মনুংদা চাদা ৫০ মেনশিনবা লোইগদবনি হায়বা ৱাফম লৈ। সাসিনা থল্লিবা পান্দম অসি ফংনবগীদমক তাউন্দ প্লান্নিং বিভাগকী হাংদুনা লৈরিবা এসিস্তেন্ত তাউন্দ প্লান্নরগী পোস্ত ৫ অমসুং এসিস্তেন্ত আর্কিতেক্কী পোস্ত ৫ লৌন্নবা চহি অসিগী জনুৱারি ১৫ দা পাঙথোকখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা ৱারেপ লৌখি। মতম অদুদা এম.পি.এস.সি অসি মথৌ তৌদবনা হায়রিবা অহাংবা ফমশিং অসি মেনশিন্নবা এম.পি.এস.সিগী মহুত্তা ওফিসর লেবেল কন্মীতি অমনা থবক লৌহন্নবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা ৱারেপ লৌখি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- অহাংবা ফমশিং অসিগী থবক লৌবদা অরানবা অমত্তা য়ৌখিদে। মীয়ামা লান্না লৌবিদনবা আপিল তৌরক্লি।

**সাইন্স(এল)ঃ** মনিপুর সাইন্স এন্দ তেকোলোজি কাউন্সিল (মাস্তেক)না শিন্দুনা চখুরকপা নুমিৎ ৫ নিগী ওইবা রাজ্য থাক্কী সাইন্স ফেস্তিবেল ঙসি তাকয়েলপাৎ ইস্ফালদা লৈবা মাস্তেক কমপ্লেক্সতা লোইশিনখ্রে। ভিক্সিত ভারত ওইবগীদমক মহৌশাদগী শিজিন্নরক্লবা তেকোলোজি হায়বা হিরমদা চখুরকখিবা সাইন্স মীট অসিদা মোদেল কম্পীতিসন, সাইন্স কুইজ, সাইন্স বিহাইন্দ মিরাকল, সাইন্স ফিল্ম সো, বেস্ত এপ্রিসিয়েসন এৱার্দ, বেস্ত গাইদ টিচর এৱার্দ, খুদক্তা লাই য়েকপা চাংদমবা, দিক্লেমেসন কন্তেসনচিংবা পাঙথোকখি। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা চাংদমবশিংদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি। সাইন্স ফেসতিবেল অসি মাস্তেকা এস.টি.এফ.এম, মেপস, মাসকা অমসুং জেনিমগা খুৎশমদুনা শীনবনি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭ কী ন্যু কায়ফুন্দাইদগী তাওশেম হেদক্কাতর ফাওবগী লম্বী শেম্বগী থবক পায়রিবা মরী লৈনবা কম্পানিশিংনা অথুবা মতমদা লম্বী শেম্বগী থবক লোইশিন্নবা তমেংলোং জিলাগী ভিলেজ ওথোরিতি য়ুথ ক্লব অমসুং তাওশেম এরিয়া ষ্টুদেন ওর্গনাইজেসননা আপিল তৌরিক্লে। লম্বী অসি ফীভম ফৎতবনা মরম ওইদুনা খুঞ্জাশিংনা য়ামা চাউনা খুদোংচদবা মায়োকরে হায়রি।

**কাং (এল)ঃ** অহানবা ককচিং তাবম কুঞ্জবি শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুরনামেন্ত ইং ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা শীংজমৈ (বি) কাংকুৎনা ৱাবাগাই কাংকুৎপু পাঞ্জল ২৩-১০ দা থোইখি। হয়েং হৈঙাং কাংকুৎকা শান্নগনি।

**ফুটবোল(এল) ঃ** বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা ১৭ শুবা এন বালানন্দা মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন অন্দর-১৭ বোইজ ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি.জি.ই.এসনা ক্রাওবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল-১(এল)ঃ** **দ** য়ুথস ক্লব বর্ম্মাপুরনা শিন্দুনা চথুরকপা ১৬ শুবা ৱাই.সি.বি ফুটবোল টুরনামন্তেকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ই.এস.য়ু (এ) ৱাংখৈনা গোল্ডন এফ.সি (এ) পেলেস কম্পাউন্দবু পঞ্জল ১-০দা থোইখি। অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা বি.এফ.সি কোংবনা মার্জিং এফ.সি বামোন লৈকায়বু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে ।

**কিমেক্স(এল)ঃ** ৫ শুবা কিমেক্স ইন্তর স্কুল থাং তা কম্পীতিসন হয়েং লোইশিল্লগনি। খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তগী চথুরকখিবা কম্পীতিসন অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা মনিপুর য়ুনিভার্সিতি ওফ কলচরগী ভাই চান্সেল্লর প্রোফেসর পাউনম গুনিন্দ্রোনচিংবা শরুক য়াখি।

## --অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---

**লোক সভা ঃ** লোক সভা মীখলগী ৬ শুবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদনবা শেম শাবা লোইরে। তাঙ্কক অসিদা লোক সভা সিট ৫৮ গীদমক হয়েং অয়ুক পুং তরেৎতগী ভোট থাদবা হৌগনি অমসুং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তা ভোট থাদবা লোয়শিনগনি। মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্যশিং অদুদি- বিহার সিট ৮, হারিয়ানাগী সিট ১০,ঝরখন্দগী সিট ৪, দিল্লিগা সিট ৭, ওরিষাগী সিট ৬, উত্তর প্রদেশকী সিট ১৪, নোংচুপ বেঙ্গলগী সিট ৮ অমসুং জম্মু কস্মীরগী সিট ১ নি।

মীরেপ ওইরিবশিংগী মনুংদা বি.জে.পি লুচিংবা ধর্মেন্দ্র প্রধান, মেনেকা গান্ধি, মনোহরলাল খৎতর, সবিট পত্রা, মনোস তিৱারি, কংগ্রেস লুচিংবা দিপেন্দর সিংহ হুদা, কুমারি সেলজা, রাজভাবর, কনহৈয়া কুমার, মেহবুবা, মুভতিনচিংবা য়াওরি। মীখল নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি লৈনা পাঙথোকবগীদমক শেম শাবা লোইরে। তাঙ্কক অসিদা পুন্না মীরেপ ৮৮৯ না লম্বা থেংনরি।

মরক অসিদা ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা ঙমজবি থাদুনা ভোটত্তরশিংগী পুকিং চীংশিন্নবা হোৎনরি। মথং থাগী অমদা ভোট থাদনগদৌরিবা অরোইবা তাঙ্কক অসিদা লোক সভা সিট ৫৭কীদমক রাজ্য ৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১ দা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা পুন্না মীরেপ ৯০৪ না লম্বা থেংনগনি।

হিমাচল প্রদেশতা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা শরুক য়াদুনা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা কেন্দ্র সরকারনা চীংগী অমসুং ঙমখৈ পারিংদা লৈবা রাজ্যশিং মপুং ফানা শেমগৎপগা লোয়ননা মফমশিং অসিগী লম্বী থোংগী ফীভম ফগৎহল্লে। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী লমদা মপাঙ্গল কনখৎপগা লোয়ননা য়েকবশিং মখোয় মখোয়গী মরমদমদা এতেক চথবা ঙল্লে।

প্রধান মন্ত্রিনা রাজ্য অদুগী মন্দিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদসু ৱা ঙাংখি। তুংদা পঞ্জাবতা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াখি। বি.জে.পি প্রসিদেন্ত জে.পি নদ্দা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা শরুক য়াখি। বি.এস.পি লুচিংবি কুমারি ময়াৱাতি পঞ্জাবতা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা শরুক য়াখি।

জে.দি.য়ু লুচিংবা নিতিস কুমার, কংগ্রেস লুচিংবা সাসিন পাইলটসু মখোয় মখোয়গী মীরেপকীদমক ভোট খোমখি। লোক সভা সিট পুমমক্কী ভোট মশিং জুন ৪ দা থীরগনি।

**মেট ঃ** ইন্দিয়ান মেট বিভাগনা অৱাং ভারত্তা লাক্লিবা নুমিৎ ৫ নি অসিদা শাবগী চাং হেনগৎলক্কনি হায়রি। বিভাগ অসিগী সেনিয়র সাইন্তিস আর.কে জেনামণিনা অকাশবানিদা হায়- পঞ্জাব , হারিয়ানা, রাজস্থান , গুজরাট, নোংচুপ থংবা মধ্য প্রদেশকী মফম কয়াদা শাবাগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৪ দগী ৪৮ ফাওবা য়ৌরবা য়াই। ফীভম অসি য়েংলগা বিভাগ অসিনা মফমশিং অসিদা রেদ অমসুং ওরেঞ্জ এলর্ট লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, কেরলাদা ঙরাং নুমিদাংদগী হৌনা মফম কয়াদা পাক্তকনা নোং চুরে । মেট বিভাগনা হায়- রাজ্য অদুগী মফম কয়াদা হয়েং ফাওবা নোং চুখিনি অমদি চীংগী জিলা খরদা ওরেঞ্জ এলর্ট লাউথোকখে।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) কংলুপকী ইরাং অমসুং তেরোরিস্তশিংগী হিংশানা অৱা অনা নংলবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অঙাং ১৫ রোমতমক প্রোজেক্ট এসিস্তকী খুদোংচাবা ফংলি।

২) মনিপুরদা শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগা মরী লৈননা বেক্তরিয়ানা থোকহনবা লেপতোসপিরোসিস নাবা মীওই থেংনরে ।

৩) মনিপুরদা লেন য়াওনা চুখিবা নোংলৈ নুংশিৎনা রাজ্য অসিগী লম হেক্তর ২৮৩ রোমদা থাবা লুপা কোতি ৬ রোমগী মনা মশিং মাংতাকহনখি।।

৪)বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল ফোইজিংদগী মীওই অমা কস্তাদিদা শীখিবা অদুগী মতাংদা মেজিস্ত্রেল ইনক্বারি তৌরগনি।

**অমসুং**

৫) লোক সভা সিট ৫৮ গীদমক ৬ শুবা তাঙ্কক্তা হয়েং ভোট থাদনরগনি।৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগীদমক রাজনিতি দলশিংনা ঙমজবি থাদুনা ভোট খোমরি।

**--- পাউ লোইজরে---**